# ব্রোইলরদা মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবগী কান্নবা

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**

শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা য়েন ব্রোইলরসি চহী ২০-২৫ গী মমাঙদগী লোয়নরকই। ব্রোইলরশিংসি অতেনবা মতম হায়বদি নুমিৎ ৩৫-৪২ নিগী মনুংদা মশাগী অরূম্বসি কেজি ২-২.৫ ফাওবা য়ৌই। মরমদি ব্রোইলর মশাগী জেনেটিক প্রোগ্রেস লৈ। মচীঞ্জাক চাবা ফবা অমদি অকোয়বগী ফীভমসু কন্ট্রোল তৌরগা লৈবা ঙম্মী। ব্রোইলরশিংসি অতেনবা মতমদা চাং ৱাংনা লূম্লকপা মরম্না মশাদা হেন্না ফেট লৈহল্লি। শিবগী চাংসু ৱাংহল্লি। হকচাং মনুংদা লৈবা অহিংবা পোৎনা মশা ওল্লক্তুনা লায়না কয়া শন্দোরকই অমদি শরূ শয়াংগী অনাবা কয়া অমসু য়াওরকই। অসিগুম্বা লায়না কয়াসি লেপ্তুনা মচীঞ্জাক পীজবা ব্রোইলরশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনৈ। মরম অসিনা ব্রোইলরদা মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবনা মথক্কী লায়নাশিংসি খরা মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি।

য়েন ব্রোইলর লোয়বা মতমদা শেল হেন্না চঙলিবসি মচীঞ্জাক্তনি। য়েন লোয়বদা চঙলিবা অপূনবা শেলসিদগী মচীঞ্জাক্না চাদা ৬০-৭০ ফাওবা চঙই। ব্রোইলর লোয়বদা চঙলিবা অপূনবা শেলসি খরা হন্থহনগে হায়রগদি মচীঞ্জাক্তা হন্থহনবা তাবনি। নুমিৎ খুদিংগী পীজরিবা মচীঞ্জাক্তা চাং হন্থনা পীজরগদি মচীঞ্জাক অরেম্বদা মাঙহনবগী চাংসু হন্থগনি। মসিদসু নত্তনা মশাদা ফেট লৈশিনবগী চাংসু নেম্লগনি।

নীংশিংবীগদবা অমনা কা হেন্না য়াম্না থুনা চাউনবনি হায়দুনা মচীঞ্জাক হেন্না পীজবিরগদি ব্রোইলর মশাদা ফেট দিপোজিসন থুগনি অমদি শেমদোল্লবা য়েনশাগী ক্বালিটিসু ফনা লৈররোই। কঞ্জ্যুমরগী অপাম্বসু হন্থরগনি।

মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবসিদা অনী থোক্লা য়েংবা য়াই । অহানবদা ক্বালিটেটিভ অনীশুবদা ক্বান্টিটেটিভনি। ক্বালিটেটিভ হায়রগদি ঐখোয়না নোংমদা পীজরিবা চাং অদুগা ক্বান্টিটেটিভ হায়রগদি ব্রোইলরদা পীজরিবা মচীঞ্জাক্তুগী ন্যুট্রিয়েন্ট কন্টেন্টনি।

**মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবগী মওং খরা ঃ-**

**য়েন অমনা চাউরক্লিবা নুমিৎতুগী মতুং ইন্না মচীঞ্জাক পীজবা ঃ**

নোংমদা য়েন অমনা চাগদবা মচীঞ্জাক্তুখক্তমক পীজবীগনি। মসিদা কা হেন্না পীজবীরোইদবনি। মচীঞ্জাক পীজবা মতমদা মচীঞ্জাক্কী পাত্রা অদু য়েন মশীংগা চান্ননা থম্বীগনি। মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবীরবনিনা অমগা অমগা ইনশিন্নদুনা চাননবা হোৎনরক্কনি। মসিদা য়েনশিংদা অশোয় অঙাম য়াম্না থোরক্কনি। মচীঞ্জাক্কী পাত্র অনীগী কারক খুদিংগী ঈশিং পাত্র অমমমসু থম্বীগনি। ব্রোইলর লূম্বগী অমদি চাউরক্লিবা নুমিৎতুগী মতুংইন্না নোংমদা পীজগদবা চাং -

| এজ | | লূম্বগী চাং (গ্রাম) | | নুংতিগী পীজবীগদবা (গ্রাম) |
|---|---|---|---|---|
| ১ | - | ১১০ - ১৩০ | - | ১৪- ২১ |
| ২ | - | ৩১৫ - ৩৯০ | - | ৩২- ৬০ |
| ৩ | - | ৫৪০ - ৭৩৫ | - | ৫০ - ৭৭ |
| ৪ | - | ৮২৫ - ১১০০ | - | ৬৭ - ৯৪ |
| ৫ | - | ১১৮৫ - ১৪৭৫ | - | ৯০ - ১১৫ |
| ৬ | - | ১৫৬০ - ১৮৮০ | - | ১০৫ - ১৩৫ |
| ৭ | - | ১৯২০ - ১৯৯০ | - | ১১৭ - ১৫২ |
| ৮ | - | ২১৯০ - ২৪২৫ | - | ১৫০- ১৭০ |

মথক্তা থল্লিবা মচীঞ্জাক পীজবগী চাংসিদগী কা হেন্না হন্থনা পীজবীরগদি অকক্নবা মতমদা লুমগদবা য়ৌদনা লুম্লকই। হঙ্গৎনা য়েংলুবা মতমদা হান্না লেপ্তুনা পংপীদা পীজবগী চাংদুদগী চাদা ৩০ হন্থনা পীজবা মতমদা নুমিৎ ৪৯ দা য়ৌগদবা অরূম্বদু য়ৌবা ঙমদে। মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবীগে হায়রগদি ব্রোইলরনা অহানবা হেক মচীঞ্জাক চাবা হৌবদগী মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবীরোইদবনি। চাবা হৌবদগী নুমিৎ ৫-৭ নি ফাওবা লৈরগা হন্থনা পীজবসি হৌবীগনি অদুগা হাপ্তা অমদা নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না তৌবিরোইদবনি।

**মচীঞ্জাক নোংমা লেপ্পীবা ঃ** মসি ব্রোইলরশিংদা নোংমা পীজবীগদবা মচীঞ্জাক্তু পীজদনা লেপথোকপীবনি। মসি মচা ধারা শন্দোক্লবা থম্বা ব্রোইলরশিংদনা হেন্না নম্না শীজিন্নে। মচা ধারা শন্দোক্লবা ব্রোইলরশিংদা ষ্টার্টর ফীদ পীজবা মতমদা নোংমদা পুং ৮-২৪ ফাওবা পীজদনা থম্বনা থুনা চাউবসু থেংথহল্লি অমদি মীট য়িল্ডসু হন্থে অদুবু ব্রোইলরদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না ঈশিং হাল্লগা পোমখৎপদুগী চাংদি হন্থে। অতোপ্পা অমগী ফাইন্দিংদনা মচীঞ্জাক হাপ্তা অমদা নোংমা হন্থনা পীজবনা মচীঞ্জাক হেক চাবা হৌরকপদগী হাপ্তা ৩ ফাওবা তৌরবা তুংদা হান্না পীজফম থোকপদু অমুক মতুং ইনবীরগদি শেমদোল্লবা মশাগী ক্বালিটি হেনগৎহল্লি অমদি শিবগী চাংসু হন্থে।

**মৈ পীবগী মতম ঃ** য়েনশিং মৈদা য়াম্না মিৎশিং-নাশিংই। মৈ পীবনা য়েনশিংনা মতম অমত্তদা রিদম মান্ননা থবক তৌই হায়বদি চাবা থকপা কোয়চেন চেন চোঙবা ব্রোইলর লোয়বা মতমদা মতম পূম্নমক্তা মৈ ফংহন্দুনা লাকই। পুং ২৪ মৈ পীবসিনা মচীঞ্জাক হেন্না চাই অমদি থুনা লূম্বসু হেনগৎলি হায়না লৌনরি। মৈ পুং ২৪ চুপ্পা ফংহনবগী মহুৎতা পুং খরা ফংহন্দবা নৎত্রগা মতম খরা ফংলগা খরা ফংদবসিনা য়েনশিংগী চাবগী চাংগা মরী লৈনৈ। মৈ মতম হন্থনা পীবসিনা মচীঞ্জাক হন্থনা চারনি অমদি শিবগী চাংসু হন্থরগনি। মসিদসু নত্তনা মখোঙদা অশোয়বা কয়া অমা থোরক্লিবদুগীসু চাং হন্থরগনি।

ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না য়েন ব্রোইলরনা নুমিৎ ৮-৪৯ শুবা ফাওবসিদা পুং ১ মৈ পীবা, পুং ৩ মুৎপসিনা মশাগী ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি। মসি পুং ২৩ মৈ পীবগা, পুং ১ মম্বগা চাংদম্নবদা ফংবনি। অতোপ্পা অমদনা মৈ পীবগী চাংসি ব্রোইলর য়েন্না নুমিৎ ৭ নি হেক শুরকপদগী নোংমদা মৈ পীবগী চাংসি পুং ১ ওইবা অদুগা মম্বনা পুং ৩ ওইবা, মসি হঞ্জিন হঞ্জিন নোংমদা ৬ লক তৌবিরগদি শিবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা মচীঞ্জাক চাশিনখ্রিবদুগী মতুং ইন্না অরুম্বরোমদা পীথোরকপদুগী চাং হেনগৎহল্লি। মৈ পীরিবসিগী চাং হন্থহনবসিনা মৈগী শেল হন্থহনবদা নত্তনা ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি। অদুবু নীংশিংবীগদবা অমনা য়েন থম্বা মতমদা ফংলিবা মফমদুগী মতুংইন্না য়েন থম্বীগনি অমদি মচীঞ্জাক অমদি ঈশিং থক্লবা পাত্রসু মফম চানা মশীং শুনা থম্বীগনি।

**মচীঞ্জাক ওন্থোক ওনশিন তৌবা ঃ** ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না ব্রোইলরশিংনা নুমিৎ ৫-১২ ফাওবগী মনুংসিদা পীজরিবা মচীঞ্জাক্তুদা ইনর্জি ৱাংনা লৈবা মচীঞ্জাক হায়বদি চুজাকসি ইনর্জি হন্থনা ফংবা চেঙকুপ/গেহুমকুপ্পা মহুৎ শিনবদা লূম্বগী চাং হন্থরগসু মখোয়না নুমিৎ ৪৯ নি শুরকপা মতমদদি চপ মান্নরকই। অমরোমদা অমুক ব্রোইলরনা ওনবা নুমিৎতগী হাপ্তা ৩ ফাওবগী মনুংসিদা ইনর্জি হন্থনা ফংবা হায়বদি হঙ্গামপাল মচুগী চুজাক্তগী ওটমিলনা মহুৎ শিনবা মতমদা অরুম্বগী চাংসি খেন্নবা কা হেন্না উবা ফংদে অদুগা মবুক্তা য়াওবা ফেটপুদি অদুক্কী মতিক হন্থে।

**মচীঞ্জাক প্রোটিন অমদি ইনর্জিগী চাং হন্থবা ঃ** ব্রোইলর মচিঞ্জাক্কী মখল হায়বদি ষ্টার্টর, গ্রোৱর, ফিনিসরদা য়াওরিবা ব্রুড প্রোটিনগী চাংসি চাদা ২২, চাদা ২০ অমদি চাদা ১৮ নি। অদুগা ইনর্জিসিনা ৩২০০ কে কেল এম ঈ কে জী ডাইটনি। ব্রোইলরশিংদা ন্যুট্রিয়েন্ট হন্থবা মচীঞ্জাক পীজরগদি মখোয়না মচীঞ্জাক চাবগী চাংসি ৱাংনা লৈ। ফাইন্দিং অমগী মতুংইন্না ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা ব্রুড প্রোটিন চাদা ৯.৫ য়াওবসি লেপ্তুনা নুমিৎ ৮ নি শুরকপদগী ১৪ শুবা ফাওবা পীজবা মতমদা চাবগী চাং হন্থে অমদি লুম্বগী চাংসু চাদা ৫৭ তগী ৪১ ফাওবা হন্থে। মসিগী মরমদি মচিঞ্জাক্তা এমাইনো এসিদ অমদি প্রোটিনগী চাং হন্থবনা চানিং থক্লিংবা ৱাৎহনবগীনি।

**মচীঞ্জাক্কী মওং ঃ** ব্রোইলর মচীঞ্জাকসি মখল অনী থোক্লা ফংই । মফোন ঙাক্তা ওইবা অমনা মতুম মতুম তাবা, উচি মথি মানবা। ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না ব্রোইলর য়েন গ্রুপ অমদা ষ্টার্টর অমদি গ্রোৱরদা মফোন পীজবা অদুগা ফিনিসরদনা মতুম মতুমগী মচীঞ্জাক পীজবা মতমদা নুমিৎ ৪৯ শুবা মতমদা লাবনা অমোমদগী ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেল্লি অমদি তোঙান্না মফোনগী গ্রুপ অমগা মতুম মতুম তাবগী গ্রুপ অমগা য়েংনবদা মতুম মতুম তাবা মচীঞ্জাক পীজবনা শিবগী চাং ৱাংনা লৈ অদুবু হেন্না লুম্বা অমদি ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সিদি মতুম তাবা মচীঞ্জাক্না হেল্লি। মসিগী মরমদি মচীঞ্জাক্তা য়াওরিবা কারবোহাইদ্রেটসি য়াম্না থুনা দাইজেষ্ট তৌবা ঙম্মী। হেন্না চাবা ঙমই অমদি মচীঞ্জাক অরেম্বগী চাংসু নেম্মী। মফোনগী মচীঞ্জাক পীজবদদি মতম কুইনা মচীঞ্জাক চাই অমদি মসিদা ইনর্জি মাঙই।

**কেমিকেল শীজিন্নবা ঃ** মচীঞ্জাক চাবা হন্থহন্নবা হীদাক পীজরগা চানীংবা ফাওহন্দনা মচীঞ্জাক চাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। য়েন মচিঞ্জাক্তা ডালাইকোলিক এসিদ চাদা ১.৫ অমদি চাদা ৩ হাপ্লগা ব্রোইলরদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা পীজবা মতমদা মখোয়সি চানীংবা ফাওহন্দে অমদি চাদা ২২ অমদি ৫৫ গী চাংদা লুমগদবা চাংদুদগী হন্থে। অতোপ্পা অমদনা কেমিকেল শীজিন্নরগা মচীঞ্জাক চাহনীংহন্দবা গ্রুপ্তা ১-৩% এসিটিক এসিদ অমদি প্রোপাওনিক এসিদ হাপ্লগা হাপ্তা ২-৬ ফাওবা পীজবা মতমদা ব্রোইলর অমোমদদি ঐখোয়না মচীঞ্জাক হন্থনা পীজরগা ফংনীংলিবা অরুম্বদুদি ফংবা ঙমই।

ব্রোইলর লোইবা মতমদা খ্বাইদগী ৱারীবা/হেন্না শেল চঙলিবসি মচিঞ্জাক্তনি। মফম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ লাকপা মতমদা য়েন লোইবা হৌরুবশিংনা মচিঞ্জাক্কী অৱাবসি য়াম্না চাউনা মায়োক্লরি। মখা তানা য়েন লোইবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা হঙ্গৎনা য়েংবদা ফংলিবা মচীঞ্জাক হন্থনা পীজবগী কান্নবা কয়া অসি য়েংলগা মখা তানা অসিগুম্বা ফাইন্দিং ময়ামসিগা পূন্না চৎমিন্নবগী ৱাখলসি থমজরি। ●

# ফৌগী লৌফমদা অহৌবা নাপীশিং হাৎনবা হীদাকশিং

**ডা: ৱাইখোম জিতেন**

ফৌ থাবা লৌফমশিংদা ফৌগী পোত্থোক হন্থহন্নবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংগী মনুংদা ফৌরক্তা হৌবা নাপীশিং অসিসু অমনি। ফৌ থাবগী মওং খেন্নবগা লোয়ননা নাপীনা ফৌগী পোত্থোক হন্থহনবগী চাংসু খেন্নে। অঙৈংবা লৌফমদা নাপীনা ফৌগী পোত্থোক চাদা ১০-১৫ হন্থহনবা মতমদা ঈশিং ফংবা ৱাবা অতোংবা লৌফমদা পাম্ফেল/পুংহুন তৌরবদি নাপীনা ফৌগী পোত্থোক চাদা ৩৫-৪৫ ফাওবা হন্থহনবা ঙম্মী। অদুগা ঈশিং ফংবা পাম্ফেল লৌফমদা নাপীনা ফৌগী পোত্থোক চাদা ২০-২৫ ফাওবা হন্থহনবা ঙম্মী। অসুম্না ফৌগী পোত্থোক হন্থহনগদবা নাপীশিং অসি মমাঙঙৈদদি মীওইবনা ফৌরক চঙদুনা লৌথোক্লম্মী। অদুবু খুলংগী মমলনা নোংমা নোংমগী ৱাংখৎলকপসিনা ফৌ থাবা লৌফমশিংদা হৌরিবা নাপীশিং অসিবু লাকশিন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা নাপী হীদাক মখল কয়া অমা শীজিন্নরক্লি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা ফংবা অহৌবা নাপী হাৎনবগীদমক য়াম্না তোয়না শীজিন্নরিবা নাপী হীদাক মখল খরগী মরমদা মখাদা থমজরি।

১) 2,4-D :- হীদাক মখল অসি য়াম্না কুইরবা মতম হায়বদি কুমজা ১৯৪০দগী নাপী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লবা হীদাক মখল অমনি। তশেংবদি হীদাক মখল অসি য়াম্না নেম্বা চাংদা শীজিন্নরগদি পাম্বীশিং চাওখৎহনবা ঙম্বা অদুগা য়াম্না য়াম্বা চাংদা শীজিন্নরবদি মনা পাকপা নাপী মখল অমসুং কাঞ্জল শাবীগুম্বা মখলগী নাপীশিং মাঙহনবদা শীজিন্নে। হীদাক মখল অসি মপূং ওইনা 2,4 - D Amine Salt 58% SL, 2,4-D ethyle estor 38% EC অমদি 2,4-D Sodium Salt 80% WP গী মওংদা লাকই। হীদাক মখল অসিনা হাৎকদবা নাপীশিং অদু লাক্লবা ঙমদবা মখৈ চাওখৎহল্লি অমদি পাম্বীশিং অদু শিজিল্লকই। হীদাক মখল অসি তোঙান তোঙানবা মমিংদা অয়াম্বা দুকানশিংদা ফংই অদুবু চেকশিন্না শীজিন্নদ্রবদি ফৌ পাম্বীদা শোকপা তোয়না থেংনৈ। মরম অদুনা হীদাক মখল অসি লৈবীবা মতমদা শীজিন্নবগী মওং মতৌ নীংথিনা ইবা চেরোল অদু লৈবীয়ু অদুগা ইরিবা ৱাফমশিং অদু ঙাক্লা চৎপীয়ু। হীদাক মখল অসি ফৌ লিংখিবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩৫নিগী মনুংদা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী ফৈ। হীদাক মখল অসি শীজিন্নবগী মরমদি হীদাক মখল অসি মমল হোঙনা ফংই।

২) (Metasulfuron methyl 10%+ Chlorimuron ethyl 10%) :- হীদাক মখল অসি অহৌবা অমদি হৌরক্কদবা নাপী মরূ অনীমক মাঙহনবা ঙম্বা হীদাক মখল অমনি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ৩০০দা য়াল্লগা লৌ পরি অমগী লৌফমদা হৌরিবা নাপীশিংনা নুমিৎ ২১নি মুক শুরকপদা কাপ্পীগনি। হীদাক কাপত্রিঙৈগী মমাঙদা লৌফমগী ঈশিং চিথোকপীয়ু অদুগা হীদাক কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ২-৩শুবদা ঈশিং অমুক চনশিনবীদুনা নুমিৎ ৭নিমুক ঈশিং অদু লেংহন্দনা থম্বীগনি। হীদাক মখল অসিনা Valine অমসুং Isoleucine কৌবা এমিনো এসিদশিং শুংবা লেপহন্দুনা পাম্বীশিং চাউদম থিলহন্দুনা শিহল্লি।

৩) Bispyribac Sodium 10% :- হীদাক মখল অসি লৌহোনফম অরিংবা লৌফম অমদি পাম্ফেল লৌফম অহুম্মক্তা শীজিন্নবা য়াবা ফৌরক্তা হৌবা অয়াম্বা নাপীশিং হাৎপা ঙম্বা হীদাক মখলনি। হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ২০০না ঈশিং লিটর ২৪০দা য়াল্লগা লৌ পরি অমগী লৌফমদা হৌবা নাপীশিংদা কাপ্পীগনি। নীংশিংবীগদবদি হীদাক কাপত্রিঙৈদা লৌফম অদু ঈশিং থাদোকপীবা অদুগা হীদাক কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ২-৩ শুবদা ঈশিং ইঞ্চি ১.৫-২গুম্বা চাংদা থম্বীরগা নুমিৎ ১০নিমুক লেঙহন্দনা থম্বনি। অরিংবা লৌফমদা নুমিৎ ১০-১৪শুবা লৌহোনফমদা নুমিৎ ১০-১২নি অদুগা পাম্ফেল লৌফমদা নুমিৎ ১৫-২৫নি শুবা হায়বদি নাপীনা মনা ২-৫ পানবা মতমদা কাপপীগনি। হীদাক মখল অসিনা নাপীশিংদা য়াওবা Aceto Lactale Synthase (ALS) কৌবা এঞ্জাইম অমা শুংবদা থিংদুনা পাম্বীশিংগী মথৌ তাবা প্রোটিনশিং পুথোকপা ঙমহন্দদুনা শিহল্লি। হায়রিবা এঞ্জাইম মখল অসি ফৌদদি য়াওদে অদুনা পাম্বীশিংদা অকায়বা পীদে।

৪) Triafamone 20% + Ethoxy Sulfuron 10% WG :- হীদাক মখল অসিসু ফৌনা নৌরিঙৈ হায়বদি থাখিবদগী নুমিৎ ১০-১৫ অদুগা নাপীনা মনা ২-৪ ফাওবা পানবা মতমদা হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ২০০-২২৫না লৌ পরি অমগী লৌফমদা হৌবা নাপীশিং হাৎনবগীদমক শীজিন্নবা য়াই। হীদাক মখল অসিসু এ এল এস কৌবা এঞ্জাইম অদু শুংবদা অথিংবা পীবা হীদাক্নি। অতোপ্পা হীদাকশিংগুম কাপত্রিঙৈদা ঈশিং থাদোকপা, কাপ্লবা মতুং নুমিৎ ২-৩দা ঈশিং চনশিনবা অদুগা লৌফম অদু নুমিৎ ১০নি মুক ঈনিল ৱাৎহন্দবনি।

৫) Fenoxaprop-P-Ethyl 9EC : হীদাক মখল অসি উরিচাক ফৌমানবী অমদি ফৌ পাম্বীগা য়াম্না মান্নবা কাঙবুগী নাপী মখলশিং হাৎপদা শীজিন্নে। মথক্তা পনখিবা হীদাক মখলশিংনা হাৎপা ৱাবা নাপী মখলশিং হীদাক মখল অসিনা হাৎপা ঙম্মী। হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ৬২৫ ঈশিং লিটর ৩০০-৩৭৫দা তুমহল্লগা লৌ পরি অমগী লৌফমদা ফৌ লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ১০-১৫নি শুবদগী হৌনা কাপ্পা য়াই। হীদাক মখল অসি নাপীনা মনা ৪-৫ ফাওবা পানবদসু হাৎপা ঙম্মী। হীদাক অসিনা নাপীশিংদা ফেটি এসিদ শুংবদা অথিংবা পীদুনা নাপীশিংবু শিহল্লি।

৬) Cyhalotop - Buty :- হীদাক মখল অসিসু উরিচাক ফৌমানবীনচিংবশিং হাৎপদা মপূং ওইনা শীজিন্নবা হীদাক মখলনি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ৭৫০-৮০০ ফাওবা শীজিন্নবীয়ু।

৭) Carfentrazone-ethyl 40% W/W :- হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৬২.৫না ঈশিং লিটর ৩০০দা তুমহল্লগা লৌ পরি অমগী লৌফমদা কাপ্পীদুনা লৌফমদা হৌবা অতোপ্পা নাপী হীদাক্লা হাৎপা ৱাবা পাম্বীশিং খুদম ওইনা কাওথুমগুম্ববু নুমিৎ ২৫-৪৫গী মনুংদা কাপ্পীদুনা লাকশিনবা য়াই।

নাপী হীদাকশিং অসি লৌফমদুদা হৌরিবা নাপীশিংগী মখল অদু য়েংলগা চান্নবা খনবীদুনা কাপ্পীগদবনি। ●

# ফৌদা তাবা লায়নাশিং অমদি ইন্টিগ্রেটেদ দিজিজ মেনেজমেন্ট - (২)

**লোংজম বোরিস**

**এ) রাইস ব্লাষ্ট :** ব্লাষ্ট লায়না মণিপুরদা খ্বাইদগী তমথীবা ফৌগী লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। রসায়নগী হার চাং কা হেন্না শীজিন্নবা অমদি মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লকপনা মণিপুরদা লায়না অসি চাং কা হেন্না তাবা হৌরকখি। লায়না অসিনা মাঙহনবগী চাং অসি চাদা ৭৫ ফাওবা ওই। লায়না অসি *Magnaporthe grisea* (anamorph: *Pyricularia grisea*) হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসিনা থোকহনবনি।

লায়না অসিনা ফৌগী মরু ওইবা মফম মরিদা তাই : (১) ফৌগী মনাদা তাবা (লিফ ব্লাষ্ট) (২) ফৌগী মতাংদা তাবা (নোদ ব্লাষ্ট) (৩) চরোং মঙক্তা তাবা (নেক ব্লাষ্ট) (৪) চরোংদা তাবা (পেনিকল ব্লাষ্ট)

- ব্লাষ্ট লায়না অসি নুমিৎ ৭-৮ নোং চুবনা রিলেটিভ হ্যুমিদিটিগী চাংনা ৯০% ওই অমদি অহিংগী খ্বাইদগী ঈংবগী চাং (দিয়ু পোইন্ট) গা নক্লবা।

- অয়ূক অঙনবদা তাবা লিক্লানা পুং ১০-১১ ফাওবা কংদনা লৈরবা অমদি নুংথিলগী ঈংবগী চাংগা অহিংগী ঈংবগী চাংগা নক্লনা লৈরবদি লায়না অসি থুনা শন্দোকই।

- অয়ূক নুংথিল লেপ্তুনা নোং চুরবদি নুংথিলগী খ্বাইদগী শাবগী চাংগা অহিংগী খ্বাইদগী ঈংবগী চাংগা নক্লে।

- লৌফম অমদা হাপফম থোকপা য়ুরিয়াগী চাংদগী হেন্না হাপ্পনা লায়না অসি হেন্না শাথীহল্লি।

**বি) বেক্টেরিএল লিফ ব্লাইট (ফৌনা মতোন্দগী ঙাংশিল্লকপা লায়না) :** বেক্টেরিএল লিফ ব্লাইট হায়রিবা লায়না অসি ইরিগেটেদ অমদি rainfed lowland ecosystem দা তাগনবা লায়না অমনি। লায়না অসি ১৯৭০-৭১দা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা তাদুনা চাথোক নীংথিনা হন্থহনখি। লায়না অসিনা চাদা ৭০ য়ৌনা অমাঙ অতা থোকহল্লি।

- লায়না অসিনা শোকহল্লবা ফৌ পাম্বীশিং অদু মনা মতোনদগী ঙাংশিল্লকই অমদি মখা রোমদা শন্দোরকই।

- ফৌনাগী ময়ায়দা অশংবা শরুক খরা কোনগী মওংদা হুন্দোক্লম্মী। পাম্বীশিং কংশিল্লকই অমদি শিরকই।

- ফৌনা পাম্বীশিং অদু থৎলগা ঈশিং মরীক অমদা শম্নদুনা থম্বা মতমদা বেক্টেরিয়াশিং অদু শঙ্গোম মচু মান্না থোক্লক্কনি।

শিবগী চাং অসি ২৪°সী ওইরবা অমদি নুংথিলগী খ্বাইদগী শাবগী চাং অসি ৩২°সী ওইরবদি লায়না অসি তাগল্লি। অদুগা রিলেটিভ হ্যুমিদিটিগী চাং অসি চাদা ৯০গী চাং লৈরবদি লায়না অসি থুনা শন্দোরকই। লায়না অসি নোংগী ঈশিংনা লায়না পকপা মনাশিং য়ৈবদা থংনবা মনাশিং লোইনা শিরকই। লায়না অসিনা ফৌগী অশোকপা মনাশিংদা চঙখিদুনা শন্দোরকই। লায়না অসি তাবা উরবদি উকাই তকপীদবনা ফৈ।

**সি) ষ্টেম রুট দিজিজ (ফৌগী মতাং পুমদুনা নাবা লায়না) :** লায়না অসি *Helminthosporium sigmoideume* হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীগী ঈশিংগী ঈমাই মপাদা তাবা হৌই অমদি শন্দোরক্তুনা ফৌগী মউ ৱাওশিল্লকই। ফৌগী মউ অদু পাত্থদুনা পাম্বী অদু শিরকই। লায়না অসি লৈবাক্তা লৈবা লায়না মখল (soilborne disease) অমনি। লায়না অসিনা তারবা পাম্বীশিং অদু শেগাইদুনা য়েংবদা মনুংদা মরূম-মরূমশিং পকপা থেংনগনি। মখোয়শিং অদু sclerotia শিংনি।

**শিথ (Sheath) ব্লাইট (মনা চাকথেক্তুনা নাবা লায়না) :** শেথ ব্লাইট হায়রিবা লায়না মখল অসি *Rhizoctonia solani* হায়রিবা ফঙ্গস অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা মাঙহনবগী চাং অসি চাদা ২০-৫০% ফাওবা য়াওই। লায়না অসিনা নারবদি পাম্বী মনাগী মখা থংবা শরুক (লিফ শেথ) তা লিলাবোপ মান্না মরাং-মরাংবা থেংনগনি।

**দি) ব্রাউন স্পোট (মনা কোহ্লিং মকুপ মকুপ কাবী লায়না) :** লায়না অসি *Helminthosporium oryzae* হায়না খঙনবা কোকফাই শুজা মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসি তারবা ফৌনাশিং অদু অকুপ-অকুপ্পা কোহ্লিং মচু মান্না চাকথেকপা থেংনগনি। লায়না অসিনা শোকহল্লবা পাম্বীগী মরূশিং অদুদা লায়না অসি কুইনা লৈবা ঙম্মী। লায়না অসি থোকহনবা কোকফাই মরূশিং অদু নুংশিংনা হুমদোক্তুনা মফম অমদগী অমদা শন্দোকই। লায়না অসি অরিবা লৌবুকশিং অমদি হার ৱাৎপা লৌফমশিংদনা হেন্না তাবা থেংনৈ।

**ঈ) ফোলস স্মুট ওফ পেদ্দি (কম্বোং শাৎপী) :** লায়না অসি *Ustilaginoidea virens* (teleomorph: *Claviceps oryzae-sativae*) হায়না খঙনবা কোকফাই শুজা মখল অমনা থোকহনবা লায়না অমনি। লায়না অসিনা তাগনবা-তাগন্দবা ফৌ মখল লৈ। লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা মরূ চঙবা হৌরকপা ষ্টেজদা তাবা হৌই। লায়না অসিনা ফৌগী মরূশিংদা নপ্তুনা চাথোকই অমদি ফৌহাম শাৎতুনা মাঙহল্লি। লায়না অসি তারবদি চরোং অদুদা অমুবা মৈতান মকুপ মানবা অমুবা মকুপ-মকুপ পকপা উগনি। ফৌনা মপাল শাৎপা মতমদা হার চাইরুবা, নোং নীংথিনা চুরবা অমদি লৈহাও চেনবা লৌফমশিংদা তাগল্লি। লায়না অসিনা ফৌগী চাথোক হন্থহনবতা নত্তনা ফৌগী মশক থীহল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১) **"ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

২) **"শ্রীগোবিন্দ লীলামৃতম"** **(২০২২)** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"খোঙচৎ মপান্নাইদবগী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) **"ইরানয়াইদা'** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা অসি কনানো?

৫) **"নাকেন্থাগী য়েন্নীং"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(২৬৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অহিং নোংঙাললবগা। শেললোই লংমাই লমদা হুয়েল লালদাগে। কাংক্রুক কাংনাও লালথেংগে। উপোং মৈশা লালথেংগে। ৱাইকোক হুয়েল লালথেং পলকোইগে। চীঙখম ৱাইমৈ শমনা। থৌবাল ঈয়া য়ৌনা। লালকোইগে। হায়বগীদমক খুৎহৈবা শীননাইবা থোঙকমসুনা। খোঙখু খুরেল চললো। থাঙশাবা য়াংকেলসুচানা থাঙশা তেল শারে। য়োইরেল নেমবী শোইতোংগী মসুমচানা। পুঙকাই পুঙয়ৈনা পাউতাকলে। চীঙশাং অশৈবনা। পাউজেল য়াইকৈ লোমখ্রে। হায়না পাউতাকলবদা। মৈদিংঙু মনাই অথোইবা। মফোং শারমবীচানা। ৱাতারকপা ৱাবু। লাইরেল মৈদিংঙুদা হুয়েল লালপাউ পাউদমলবগী। ●

[illegible]